**মোদেল ফার্মিং এগ্রিমেন্ট – বনানা**

মসিগী লৌউবগী য়ানচে অসি (‘‘এগ্রিমেন্ট’’) ............................................, .........................................দা ওফিস লৈবা (তুংদা ‘‘কম্পনি’’ হায়না খঙনরগদবা) অসিনা

অমদি

লৌমীগী মমীং

সাং

(তুাংদা ‘‘লৌমী’’ হায়না খঙনরগদবা)

অনীগী মরক্তা সহী তৌনবনি।

(লৌমী অমদি কম্পনি অমমমবু মখা তারকপদা ‘‘পার্টি’’ হায়না খঙনগনি অমদি অপূনববুনা ‘‘পার্টিশিং’’ হায়না খঙগনগনি)

ৱাহৌদোক

মসিদা, কম্পনি অসিনা লৌমীশিংগা পূন্না হোৎন্নমিন্নদুনা খূমাং চাওশিল্লবা টেক্নোলোজি অমদি পোত্থোক হেনগৎহনবগী টেক্নিক শীজিন্নদুনা ভারত তা/ তগী মালেম শীনবা থুংনা পান্নগদবা অফবা মখলগী মহৈ–মরোংশিং পুথোক্লবা পূক্নিং চীংশিংল্লি।

মসিদা লৌমী শ্রী / শ্রীমতি / কুমারি ..................................... মপা / মপুরোইবা .......................................... সাং খুঙ্গং .................. তালুকা .................. জিল্লা .......................... রাজ্য................................ (ভারত) তা লৈবা অসিনা রেভিন্যু সর্ভে নম্বর(শিং) ........................, খুঙ্গং ................. অসিগী মনুংদা, তালুকা .......................... জিল্লা ....................... রাজ্য ............................. (ভারত) অসিদা .................. লমগী পাক চাওবা লৌফম পায়রি, মথক্কী লম অসিদা লফোই লোকপা পামজৈ অমসুং কম্পনি অসিনা মহাকপু মগুণ লৈবা লফোই পুথোকপদা লমজিং লমতাকপীবা অমদি মহাক্কী পোত্থোক অদু য়োনবদা মতেং পাংহন্নিংই।

মরম অদুনা, হৌজিক, পার্টিশিং অসিনা মখাদা য়াওরিবশিং অসি য়ানরেঃ

১. ৱাহন্থোক

১.১ এগ্রিমেন্ট হায়বদি লফোই পুথোকপা অমদি লৈবা-য়োনবা খক্তগী এগ্রিমেন্ট অদুবুনি

১.২ ''লফোই'' অসিনা কেভেন্দিস লফোইগী মখল, গ্রান্দ নেইন (জি৯) নত্ত্রগা কম্পনিনা লৌউবদা ফরে খল্লবদা অতোপ্পা মখলশিং অদুবু খঙনগনি অমসুং লৌমী অদুদা মতম মতমগী মতুং ইন্না অইবা ওইনা খঙহনগনি।

১.৩ পার্টিশিং হায়রগা লৌমী অমদি কম্পনি অদু পূন্না খঙনগনি অমদি পার্টি হায়রগনা লৌমর নত্ত্রগা কম্পনি অদু অমমমতা ওইনা খঙনগনি।

১.৪ প্রোদ্যুস হায়রগা এগ্রিমেন্ট অদুদা য়ানরিবা লম অদুদগী লোকপা য়ারবা নত্ত্রগা লোল্লবা লফোইবু খঙনগনি।

১.৫ ''পোইন্ট ওফ দেলিভরি'' হায়রগা লৌমী অদুনা লফোই লোল্লিবা লম অদুবু খঙনগনি।

১.৬ প্রোজেক্ট হায়রগা এগ্রিমেন্ট অসিগী মখাদা লৌমীদুনা লৌ-শীং উরিবা মফম অদুবু খঙনগনি অমসুং কোন্সিনগনি অমদি চৎনরিবা এগ্রিমেন্ট অদুদা পল্লিবা য়ানরবা ৱারোলশিং অদুগী মতুং ইন্না প্রোদক্সন অদুবু কম্পনি অদুনা লৈগনি হায়না অয়াবা পীরবা অদুবু ওইগনি।

১.৭ ''মেক্সিমম রেসিদ্যু লিমিট'' হায়রগা ফুদ সেফটি এণ্ড ষ্টেন্দর্দস এক্টনা পীরিবা কেমিকেল রেসিদ্যুগী চাং অদু খঙনগনি নত্ত্রগা ভারতকী ষ্টেচুটরি ষ্টেন্দর্দ অমনা লফোইশিং অদু টেষ্ট তৌবদা ফংবা নত্ত্রগা এক্সিপোর্ট তৌবগী মতাংদনা, লফোইশিং অদুবু য়োন্দুনা ফংহন্নবগীদমক পায়খৎলিবা মফম অদুগী মার্কেটনা লেপ্পা ষ্টেন্দর্দ অদুগী খ্বাইদগী য়াম্বা চাং অদুদগী হেন্দবা ওইগদবনি।

১.৮ ''কত্তিং ওর্দর'' হায়রগা কম্পনিনা ইদুনা পীরবা চৎন-কাঙলোনশিং মখাগীশিং অসি য়াওনাঃ

(ক) লফোইশিং অদু লোকপা / ককথৎপগী তারিখ অমদি মতম

(খ) লফোইশিং অদুগী গ্রেদ অমদি চহী

১.৯ রিজেক্ট হায়রগা কম্পনিনা লেপথোল্লবা, এনেক্সচর দি - দা পল্লিবা ক্বালিটিগী ষ্টেন্দর্দশিং অদুগী য়ৌদবা লফোইশিং অদুবু খঙনগনি।

১.১০ ''ষ্টোপ্পেজ ওর্দর'' হায়রগা করিগুম্বা মতম অমা হেক্তদা কম্পনিনা, কম্পনিনা দেলিভরিগীদমক্তা লোক্লনবা লফোইশিং অদু লৌমীদুদা লফোইশিং অদু লোকপা তোক্লবা অইবা ওইনা পীবা পাউতাক নত্ত্রগা (মমাংথক্তা পীখিবা কত্তিং ওর্দরগী মখা তারকপা ওইনা) কম্পনি অদুনা পীরিবা লোকপগী নিয়ম/ পাউতাকশিং অদু লৌমী অদুনা লফোই লোকপদা ইল্লক্তবা মতমদা, কম্পনিনা মতম অমা হেক্তদা পীরকপা নিয়মশিং অমসুং এনেক্সচর 'সি'দা পীরিবা অদুগী মতুং ইন্না ইসু তৌবা রেদ রেটিং (থবক লেপ্পবা পাউতাক) অদুবু খঙনগনি।

১.১১ কম্পনি অমা নত্ত্রগা কোর্পোরেসন অমা ''ৱাইন্দিং অপ'', ''সিজোল্যুসন'', ''ইনসোলভেন্সি'' নত্ত্রগা ''রিওর্গনাইজেসন'' তৌবা অসি অসিগুম্বা কম্পনি নত্ত্রগা কোর্পোরেসন অদুনা লৈরিবা জুরিসদিক্সন নত্ত্রগা জুরিসদিক্সন অমা হেক্তদা লৈবা অদুগী মতুং ইন্না মান্নবা নত্ত্রগা এনালোগৎ প্রোসিদিংশিং হাপচিনবা, মদুদা অদুগুম্বা কম্পনি নত্ত্রগা কোর্পোরেসন অসুনা লিক্বিদেসন পাম্বা, ৱাইন্দিং-অপ, রিওর্গনাইজেসন, সিজোল্যুসন, এরেঞ্জমেন্ট, প্রোটেক্সন নত্ত্রগা রিলিফ ওফ দেবটর্সকী থবক তৌব ওইগদবনি।

২. এগ্রিমেন্টকী মতম

২.১ এগ্রিমেন্ট অসি তারিখ .......... অসিদগী চৎনবা হৌগনি।

২.২ পার্টিশিং অসিনা প্রোসেসিং, দোমেষ্টিক মার্কেটতা য়োনবা নত্ত্রগা মপান লৈবাকশিংদা এক্সপোর্ট তৌবা য়াওনা ক্রোপ সিজন অমা পূন্না থবক তৌমিন্নগনি হায়না য়ানরে। লৌমী অদুনা লম অদু মহাক্লা লফোই উবা অমদি পুথোকপখক্তগীদমক খাক্তুনা থমগনি হায়না ৱাশক্কদবনি অমসুং এগ্রিমেন্ট অদু চৎনরিঙৈ মনুংদা কম্পনি অদুগা চাং নাইনা থবক তৌমিন্নগদবনি।

২.৩ পার্টিশিং অসিনা এগ্রিমেন্ট অসি হেক চৎনবদগী অহানবা মহৈ মরোং লোকপা ফাওবা পূন্না থবক তৌমিন্নগনি হায়না য়ানরে। মসিগী এক্সপিরিয়েন্স অসিগী মতুং ইন্না, পার্টিশিং অসিনা এগ্রিমেন্ট অদু মথংগী চহীদা মখা চত্থররোই নত্ত্রগা চত্থখিগনি হায়বদু লেপকদবনি।

২.৪ পার্টিশিং অদুনা অমনা অমগা য়ানবগী মতুং ইন্না এগ্রিমেন্ট অদু মথংগী ক্রোপ সিজন ফাওবা শাংদোকপা য়াই।

৩. ফার্ম প্রোদ্যুজগী মশক

৩.১ এগ্রিমেন্ট অসি লফোই, কেভেন্দিস বনানা, গ্রান্দ নেইন (জি-৯) নত্ত্রগা কম্পনিনা ফরে খনবা মখল অদুখক্তদা, মহাক্কী অপান্বদুদা, উননবগীখক লেপকদবনি।

৪. ক্কালিটিগী মওং

৪.১ এনেক্সচর 'দি' দা পীরিবা ৰারোল অদুদা পল্লিবা ক্কালিটি অদু য়ৌরবা লফোই মখল অদুখক্তমক লৌগনি। চেকখাইরবা, অমাং-অতা থোক্লবা নত্ত্রগা মহৈ অদুগী মকুগী মচু অদু চানদ্রবদি, মদু লৌরোই।

৪.২ নুংশানা কাথেল্লবা (সনবর্ন) তৌরবা লফোই অদু লৌরোই।

৪.৩ এনেক্সচর 'দি' দা পীরিবা ক্রাইটেরিয়া য়ৌদবা পোখোক অমত্তা লৌরোই

৫. থৌগাই অমদি থৌদাং

৫.১ লৌমী অদুনা প্রিয়েম্বলদা পল্লিবা লম অদুনা এনেক্সচর 'দি'দা পল্লিবা কম্পনিনা পীবা ক্কালিটিগী স্পেসিফিকেসনগী মতুং ইন্না লপোই থাগনি অমদি লোক্কনি। লফোই পান্বী (লফূ) থানবগী লফোইগী টিসু কলচর অদু কম্পনিগী খূৎ থিংজিনবা য়াওদনা লৌমী অদুগী অপান্বা খক্তগী মতুং ইন্না লৈগনি।

৫.২ লৌমী অদুনা কম্পনি অদুনা নত্ত্রগা টেক্লিকেল সার্ভিস প্রোভাইদর অদুনা পীরিবা পোৎলম অমদি কেমিকেল শীজিন্নবা য়াওনা অমদি আইনগী মতুং ইন্না চঙবা সেফটি দিভাইস শীজিন্নবা য়াওনা, কম্পনি অদুনা নত্ত্রগা টেক্লিকেল সার্ভিস প্রোভাইদর অদুনা পীরিবা টেক্লোলোজি অমদি প্রদক্সনগী মওং অদু ইনগদবনি অমদি ঙাক্কদবনি। অসিগুম্বা স্পেসিফিকেসনশিং অমদি ওপরেসনগী নীয়ামশিং অসি লৌমী অদুনা কম্পনি অদুনা অইবা ওইনা পীগদবনি। প্রোজেক্ট অসিগী চঙশিল্লকপগী মতুং ইন্না অসিগুম্বা স্পেসিফিকেসনশিং অসি হোংলকপা য়াই।

৫.৩ ক্কালিটি লৈবা মহৈ মরোং পুথোক্লবগীদমক তঙাইফদবা মতমদা, খুদম ওইনা, লম শেমগৎপা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা, ক্কালিটি প্লন্টিং মেটিরিয়েল লৌশিনবা অমসুং থাবা, পান্বীগী চেকশিং থৌরাংশিং, মহৈগী চেকশিং থৌরাংশিং, ফর্টিলাইজর অমদি নিউত্রিসন পুথোকপা, দ্রিপ ইরিগেসন ইন্সটোল তৌবা অমদি য়েংশিনবা, ইথৈ-লৌখোংগী ঈশিং পীনবা হোৎনবা, নাপী-শিংনা পেংবা অমদি হাৎপা, লূ-নালহনবা, লৈনা অমদি তিল-কাঙদগী ঙাকথোকপা, পোখোক লোকপা অমদি অতৈ অতোপ্পা ওপরেসনশিং অসিখক নত্তনা প্রোজেক্ট দিভেলপমেন্ট তৌবা, পোখোক লোক্ত্রিঙৈগী

মমাং অমদি পোখোক পুথোকপগী মনুংদা চঙবা থবক খুদিংমক লৌমী অদুনা মশাগী শেল পুথোক্তুনা অমদি মশাগী রিস্কতা পায়খৎকদবনি।

৫.৪ কম্পনিগী রিপ্রজেন্টেটিভকী মিৎয়েং মখাদা সক্কর খনবগী থবক পায়খৎনবগীদমক দরকার ওইবা শিনমী অমদি খূৎশূ-খূৎলাই অদু লৌমী অদুনা মশাগী শেল পুথোকচদুনা থৌরাং তৌগদবনি।

৫.৫ তৌবতবু, মহৈ মরোংশিং য়েংশিন্নবগী শিনমীশিং অদু কম্পনি অদুনা মশাগী শেল পুথোকচদুনা থৌরাং তৌগদবনি, খুদম ওইনা বদ ইনজেক্সন, বঞ্চ স্প্রে, দিফ্লৰারিং, ফ্লুট ওবসটেকল রিমুভেল, ফোলস হেণ্ড রিমুভেল, রিব্বন তেগ্লীং অমসুং লফোইগী লৌফমদা বঞ্চ বেগ্গিংগী থক অসি শিনমী নেক্তুনা হকথেংননা নত্তগা মহৈ অদু য়েংশিনবগী থবক তৌবা এজেন্সি অমগী খুত্থাংদা পায়খৎকদবনি (মসিদা খূৎশূমল অমদি মহৈ-মরোং য়েংনিবগী শেনফম, খুদম ওইনা বদ ইনজেক্সন, বঞ্চ স্প্রেগী কেমিকেল, বঞ্চ স্কর্টিং বেগ, রিব্বন অমদি স্প্রে পম্পনচিংবগী শেল য়াওগনি) অদুবু অচঙবা শিনমী অদু মতম চানা লৌমী অদুনা থৌরাং তৌগদবনি অমসুং মহৈ অদু য়েংশিনবগী থবক মতম চানা তৌগদবনি। শিনমীগী খূৎশূমল খুদিংমক অমদি মহৈ-মরোং য়েংশিনবদা চঙবা পোৎলমশিংগী শেনফম অদু য়ানখিবগী মতুং ইন্না কম্পনিনা নত্তগা সরকারনা শেলগী তেংবাং ওইনা নত্তগা কম্পনি অদুনা এদভান্স ওইনা নত্তগা লৌমী অদুনা মশানা পুথোকচগনি।

৫.৬ নুংশাগী মঙালনা হকথেংননা য়ৈবা চরোংশিং অদুদা পাউ-চেনা য়োমশিনবগী শেনফম অদু লৌমী অদুনা মশানা পুথোকচগনি।

৫.৭ চরোং অদুনা তেকথরক্তুনা কেল্লক্কদবদগী মতম চানা প্রোপ্পিং অমদি গায়িং তৌবগী শেনফম অদু লৌমী অদুনা পুথোকচগদবনি।

৫.৮ লৌমী অদুনা ক্রোপ ইন্সুরেন্স মশানা শেল তিংজদুনা লৌজবা য়াই।

৫.৯ লৌমী অদুনা লৈবাক-লৈহাও, মনা অমদি ঈশিংগী চাংয়েং অদু মশাগী শেনফম পুথোকচদুনা পায়খৎকনি।

৫.১০ লৌমী অদুনা গ্লোবেল জিঃএঃপিঃ সার্টিফিকেসনগী থবক খুদিংমক (করিগুম্বা দরকার লৈরবদি) পায়খৎকদবনি।

৫.১১ লৌমী অদুনা লফোইদা পীরিবা রেসিদ্যুগী পর্মিসিবল লিমিট অদু চেকশিন থৌরাংশিং অদু কম্পনিগী মীহুৎ অমগী মিৎয়েং মখাদা পায়খৎকনি (করিগুম্বা দরকার ওইরবদি)

৫.১২ পোথোক পুথোল্লবা মতুংদা, কম্পনি অদুনা লফোই অদু, মশাগী শেল পুথোকচদুনা, ক্বালিটি ষ্টেন্দর্দ য়ৌরিব্রা হায়বদু চাংয়েং তৌজগনি।

৫.১৩ কম্পনি অদুনা মশাগী রিস্ক অমদি শেনফম পুথোকচদুনা, মহৈ লোল্লবা মতুংগী থবকশিং, হান্ননা য়ানখিবা লৈত্রবদি, মখাগী থবকশিং অসি য়াওনা, অসিশিংসি খক্তদি নত্তনা পায়খৎচগনিঃ

৫.১৩.১ ফার্ম লেভেলদা খন্দোকপা / গ্রেদিং তৌবা / পেকিং তৌবা

৫.১৩.২ সেন্ত্রেল দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্তরদা পোথোকশিং পুবা

৫.১৩.৩ প্রি-কুলিং অমদি কোল্ড ষ্টোরেজগী থবকশিং

৫.১৩.৪ পেক হাউস ওপরেসনশিং

৫.১৩.৫ এক্সপোর্ট অমদি দোমেষ্টিক সেল তৌবশিং

৫.১৪ কম্পনি অদুনা লফোই পুথোকপদা এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা টেক্নিকেল মীওই অদু অফবা মখলগী পোথোক পুথোল্লবগীদমক লৌমী অদুদা পীগনি।

৫.১৫ কম্পনি দুনা সরকার অদুগী দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টিকলচরগা তান্নদুনা লৌমী অদুনা সরকারগী প্রোভিজন/ নোর্মশিংগী মতুং ইন্না প্রোজেক্ট অদুদা য়াওরিবা অদু মপূং ফারবা লৌমী অদুদা শেন্থুং পীথনবা মতেং পাংগনি। শেন্থুং অদু ফংনবগীদমক্তা দরকার ওইনা চে-চাংশিং অদু লৌমী অদুনা মতম চানা পীগদবনি।

৫.১৬ রাজ্য / কেন্দ্র সরকারগা খূৎশন্নদুনা নত্রগা কম্পনি অদুগী মশাগী শেল তিংজদুনা, ট্রেনিং, এক্সপোজর ভিজিট অমদি দেমোন্সট্রেসন অদু কম্পনি অদুনা শীল লাংবা য়াই।

৫.১৭ এগ্রিমেন্ট অসিদা য়াওরিবশিং অসিগী মথক্তা, অমাং-অতা অমত্তগী দাইত্ব অদু কম্পনি অদুনা য়ানখ্রবা মতুংদা লৌমী অদুনা লৌরোইদবনি অমদি মহৈ-মরোং লোল্লবা মতুংগী থবকশিং, য়োনবগী থবকশিং অমদি লোজিষ্টিক্কী থবকশিংদা চঙবা শেনফম অমদি লৈরিবা রিস্ক পূন্নমক কম্পনি অদুখক্তগী দাইত্ব ওইগনি।

৫.১৮ লফোই পুথোকপা, পুথোল্লিবা মফম, এসেটশিং অদুনা থোক্লিবা অমাং-অতা অমদি কম্পনিদুনা সপ্লাই তৌরিবা ইনপুটশিংগী লিগেল ওইবা কনসিক্বেন্সশিং অদু কম্পনি মশাগী দাইত্ব ওইগনি।

৬. ক্রোপ দেলিভরি

৬.১ মহৈ-মরোং লোকপা অদু লৌমী অমদি কম্পনি অনীগী মরক্তা হান্ননা য়ানখ্রবা প্রোগ্রাম অদুগী মতুং ইন্না পায়খৎকনি। মহৈ-মরোং লোকপা অদু কম্পনি অদুনা থাকরপা মীহুৎ

অমগী মখাদা পায়খৎকনি। লৌমী অদুনা করিগুম্বা মতম অমহেক্তদা, কম্পনি অদুগীদমক্তা পীগদবা পোত্থোক অদু, কনাগুম্বা থার্দ পার্টি অমদা পোত্থোক / মহৈ নত্ত্রগা মসিগা মান্নবা অদু য়োন্নবা হোৎনবা নত্ত্রগা য়োনবা য়ারোই। কম্পনি খঙদনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী পায়খৎপা মহৈ মরোং  লোকপগী থবক অসি এগ্রিমেন্ট অদু লৌমীদুনা থুগাইবনি হায়না লৌগনি অমদি এগ্রিমেন্ট থুগাইবগী লৌখৎফম থোকপা থবক অদু কম্পনিনা লৌখৎলক্কনি।

৬.২ মহাক্কী লৌফম অদুদগী লফোই লোকপা, য়ানবগী থবক অদু মশাগী শেনফম পুথোক্তুনা লৌমী অদুনা পাঙথোকচগনি।

৬.৩ লফোই / লফাংশিং অদু লৌফম অদুদগী মপানদা পৈনবা পুথোকপগী চৎনরিবা লেপ্তুনা থল্লবা শেনফম কিলোদা লুপা ....... (কেটাগোরি এ + বি + সি গী ভোল্যুম) গী চাংদা কম্পনি অদুনা শিনমীশিং অদু থৌরাংজদুনা পুথোকচগনি। চৎনরিবা লফোই পৈশিনবগী চার্জশিং অদু কম্পনি অদুনা পীবা য়াই নত্ত্রগা য়ানবগী মতুং ইন্না লৌমী অদুনা পুথোকচবা য়াই।

৬.৪ লৌফম অদুনা ট্রান্সপোর্ট ভেহিকল অদু য়ৌরক্ত্রবদি, লৌমী অদুনা পেকিং / প্রোসেসিং পোইন্ট ফাওবা লৌমী অদুনা থৌরাং তৌদুনা পুথোক্কদবনি, অচঙবা শেনফম অদুনা কম্পনিনা পুথোক্কদবনি।

৬.৫ লফোই প্রোসেসিং তৌবগীদমক অচঙবা ঈশিং অদু মতম চানা লৌমী অদুনা শীল–লাঙগদবনি। মদুগী অচঙবা শেনফমনা কম্পনিনা পুথোক্কদবনি।

৬.৬ এনেক্সচর ‘দি’ দা পীরিবগী মতুং ইন্না লোক্লবা মহৈ অদু কম্পনি অদুনা ফার্মগী মতুং ইন্না কেটাগোরি এ, বি অমদি সি হায়না কায়দোক্কনি। খায়দোকপা অমদি খন্দোকপদা চঙবা শিনমী অদু ৱায়বগী শেনফম অদু কম্পনি খক্তগী ওইগনি।

৬.৭ য়ানবগী মতুং ইন্না, ক্বালিটি অমদি পেকেজিং তৌবগী কম্পনিগী ৱারেপ অদু থার্দ পার্টি ইন্সপেক্সনগী মখা পোনবা য়াই।

৬.৮ প্রোজেক্ট অসিগী মনুংদা, কম্পনি অসিনা এনেক্সচর ‘দি’ দা পীরিবা মিনিমম ক্বালিটি পেরামিটর অদু য়ৌরবা লফোস অদু শুকশোয় শোয়দনা, এগ্রিমেন্ট অসিগী মতুং ইন্না লৌমীদুদগী লৈগদবনি।

৬.৯ কম্পনিনা চয়োগী ওইনা কত্তিং সেদ্যুল অমা শেমদুনা লৌমী অদুনা খঙহনগদবনি অমদি মদুগী মতুং ইন্না লৌমী অদুনা ককপগী অয়াবা পীগনি অমদি ককলবা পোথোকশিং অদু লৌফমদুদগী কম্পনিগী ট্রান্সপোর্ট ভেহিকল ফাওবা থিনগনি।

৭. মমল লেপ্পাঃ

৭.১ ওপ্সন ১ঃ এনেক্সচর 'দি' দা পীরিবা স্পেসিফিকেসনশিং অদু মপূং ফারবা লফোই অদু কম্পনি অদুনা মিনিমম গেরেন্টিদ প্রাইজ লুপা ......... অদুদা লৈগনি।

ওপ্সন ২ঃ এনেক্সচর 'দি' দা পীরিবা স্পেসিফিকেসনশিং অদু মপূং ফারবা লফোই অদু অনীমক্লা য়ানরবা মমল অদুনা লৈগনি, মদু, তৌবতবু, মিনিমল গেরেন্টিদ প্রাইজদগী হন্থরোইদবনি।

ওপ্সন ৩ঃ লফোই, হায়বদি এনেক্সচর 'দি' দা পীরিবা স্পেসিফিকেসনশিং মপূং ফারবা অদু কম্পনি অদুনা মফম অদুনা মহৈ মরোং লোকপা মতমদা ওইরিবা মার্কেট প্রাইজ অদুদা য়ানবগী মতুং ইন্না লৈগনি তৌবতবু মদুগী মমল অদু মিনিমম গেরেন্টিদ প্রাইজদগী তারোইদবনি।

ওপ্সন ৪ঃ লফোই লৌবগী মমল অসি এনেক্সচর 'দি' দা পীরিবা স্পেসিফিকেসনশিং অদুগী ইল্লবদা অনীমক্লা য়ানখিবা মমল অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা হোৎকনি অমদি অনীনা য়াখিবা মমল অদুদগী হোংলক্লিবা মার্কেট রেট অদুনা হেল্লবদি মদুদা ওইগনি। অনীমক্লা য়ানখিবা গেরেন্টিদ প্রাইজ অদু মার্কেট রেটকী অহোংবা (হেগৎলকপা) মমল অদুগী অককনবা লিমিট অমগী মনুং ফাওবা হোংদোকপা য়াদে তৌবতবু, লৈরিবা মার্কেট রেট অদুনা য়ানখিবা অহোংবা (হেনগৎপা) লিমিট অদুদগী হেল্লবদি, অনীমক্লা য়ানখিবা মমল অদুদা (লৈরিবা মার্কেট রেট অমদি অনীমক্লা য়ানখিবা প্রাইজ) খেন্নরিবা মমল অদুগী লেপথোক্লবা চাদা হোৎপা মমল অমা হাপচিনগনি।

৮. পেমেন্টকী টর্মশিং

৮.১ দেলিভরি হেক ওকপগা কম্পনিনা পেমেন্ট থীদোক্কনি। লৌমী অদুগী ভেন্দর কোদ অমা খঙদোক্লবা ভেন্দর রেজিস্ট্রেসন অমা তৌবিগনি। লৌমী অদুনা আধার নম্বর, একাউন্টকী অকুপ্পা মরোল (শেল ওইনা পীবা য়াদে), আইঃএফঃসিঃএসঃ কোদকীদমক্তা কেন্সেল চেক অমা আরঃটিঃজিঃএসঃ কী তঙাইফদবশিং অদুগা লোয়ননা শেল থীরক্কদবা মফম অদু পীশিনগনি।

৯. কোনফিদেন্সিএলিটি অমসুং নোন-কোম্পিটিসনঃ

৯.১ কম্পনি অদুনা অচৌবা শেনফম অমা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎনবা অমদি পাঙথোক্লবগীদমক চঙবা তঙাইফদবা জ্ঞান অমদি ইনফোর্মেসনশিং অদু ফংনবগীদমক্তা থাদরি হায়না লৌমী অদুনা অসুন্না খঙজরে অমদি য়াজরি। মরম অদুনা, প্রোজেক্ট অসিগা মরী লৈনবা দরকার ওইবা খুদিংমক কোনফিসেন্সিএল ওইনা থমগনি, মদু লফোই অফবা পুথোক্লবা জ্ঞান অমদি টেক্নিকেল ইনফোর্মেসন অদুগা মরী লৈনবা অমদি মদুমক, মহৈ-মরোং লোক্ত্রিঙৈগী মমাং অমদি মতুংগী টেক্নোলোজিগী মতাংগা লোয়না লোয়ননা প্রোসেসিং টেক্নোলোজি অমসুং পার্টিশিং অদুগী মরক্তা য়ানখিবা লল্লোন ইতিক্কী মরমশিং অদুখক্তদা লেপথোকপা য়াদে। লৌমী অদুনা কম্পনি অদুগা য়ানখিবা এগ্রিমেন্ট অসিদা পল্লিবা কন্দিসনশিং অদুগী মতুং ইন্না মথক্তা পনখ্রিবা ইনফোর্মেসনশিং অসি প্রোজেক্ট অসি মপূং ফানা পায়খৎনবখক নত্তনা অতোপ্পা হীরমগীদমক্তা শীজিন্নবা হায়দোকপা য়াদে।

৯.২ এগ্রিমেন্ট চৎনরিঙৈ মতমগী মনুংদা, লৌমী অদুনা মালেমগী মফম অমহেক্তদা লৈবা কম্পনি অমগা কম্পিট তৌনবা (লম্বা পানবা) য়াদে অমদি ভারত অমসুং / নত্ত্রগা ভারতকী মপান্দা লফোই থাবা, প্রোসেসিং তৌবা অমদি য়োনবগী থবক, থার্দ পার্টি অত্তদসু লৌমীদুনা মতেং পাংবা য়াদে। মসিগীসু মথক্তা, লৌমী অদুনা এগ্রিমেন্ট অসি ইনখিবা মতম অদু লোইরবা মতুং মতম অমহেক্তদা, মশা মথন্তা নত্ত্রগা অতোপ্পা থার্দ পার্টি অমহেক্তদা, এগ্রিমেন্ট অসিগী মনুংদা য়াওরিবা কম্পনি অসিগী প্রোপ্রাইটরি নো-হাও (জ্ঞান) অদু মালেমগী মফম অমহেক্তদা লফোই থাবা অমসুং / নত্ত্রগা য়োনবগী থবক্তা শীজিন্নবা য়াদে।

৯.৩ এগ্রিমেন্ট অসি য়ানরিবা মতমগী মনুংদা, লৌমী অদুনা হকথেংননা, নত্ত্রগা নাকোইননা, কম্পনি অদুদা নত্তনা অতোপ্পা পার্টি অমত্তদা লফোই য়োনবা য়াদে, করিগুম্বদা মদু কম্পনি অদুদগী অসিগুম্বা থবক অসিগীদমক্তা য়ারে হায়না অইবা ওইনা পীক্ত্রিবফাওবা। অইবা ওইনা পীরকপা অয়াবা অদু কম্পনি অদুনা লৌরোইদবা লফোইগী চাং অদুনা চলাইবা য়ারোই।

১০. লৌমীগী হক ঙাকপা

১০.১ এগ্রিমেন্ট অসিনা লৌমী অদুনা মহাক্কী লম অদুগী মপূ ওইবা অমদি মহাক্না পোজেস তৌবগী হক অদু হীরম অমত্তদা মৎলোইদবনি।

১০.২ এগ্রিমেন্ট অদু লোইরবদা মতুংদা লম অদুদা শাজিনখিবা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ষ্ট্রকচর অদু কম্পনি অদুনা শেল তিংজদুনা থুগাইগদবনি।

১০.৩ থোক্কনি খঙদবা থৌদোক্লা মরম ওইদুনা করিগুম্বা মহৈ-মরোং অদু মাঙবা থোক্কুনা কম্পনি অদুনা দেলিভরি তৌবা ঙমদ্রবা থোক্লবদি, মদুদা থোকপা অমাং-অতা অদু কম্পনি অদুগী ওইজগনি অমদি লৌমী অদুদা মদুগী দাইত্ব অমত্তা পুবা য়ারোই।

১১. য়েৎনবা শংদাইননবা লম্বী

১১.১ এগ্রিমেন্ট অসিনা মরম ওইরগা নত্ত্রগা মসিগা মরী লৈননা করিগুম্বদা য়েৎনবা, খৎনবা নত্ত্রগা য়ানদবা থোক্লক্লবদি, পার্টিশিং অদুনা অহানবগী ওইনা মখোয় মশেলগী মরক্তা অদুগুম্বা লৈরিবা য়েৎনবা, খৎনবা নত্ত্রগা য়ানদবা অদু নুংশি-চান্নরা শংদাইননবা হোৎনগনি।

১১.২ অমনা অমগগী মরক্তা চয়েৎনবা অসিগী য়াশিন্নবা অদু নুমিৎ কুন্থ্রানিগী মনুংদা পুরকপা ঙমদ্রবদি, য়েৎনরিবা, খৎনরিবা নত্ত্রগা লেঙউ য়াদ্রবা ৰাফম অসি ফার্মর্স (এমপৱারমেন্ট এণ্ড প্রোটেক্সন) এগ্রিমেন্ট ওফ প্রাইজ এসুরেন্স এণ্ড ফার্ম সার্ভিস ওর্দিনান্স, ২০২০ (ওর্দিনান্স ১১ ওফ ২০২০) অমসুং দি ফার্মস এগ্রিমেন্ট ওন প্রাইজ এসুরেন্স এণ্ড ফার্ম সার্ভিসেস (দিস্প্যুট রিজোল্যুসন) রুলস, ২০২০ গী মখাদা শেম্বা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী খূথাংদা য়াশিন্ননবা হোৎনগনি।

১২. অতৈ-অতৈ

১২.১ লৌমী অসি ইন্দিপেন্দেন্ট পার্টি অমনি অমদি ওইদুনা লৈগনি অমসুং মসিগী এগ্রিমেন্ট অসি এসোসিএসন, পার্টনরসিপ নত্ত্রগা জোইন্ট ভেঞ্চর শেম্নবা, প্রিন্সিপাল অমসুং এজেন্টকী মরী থন্নবা নত্ত্রগা কম্পনি অমসং লৌমীগী মরক্তা এমপ্লোয়র অমসুং এমপ্লোয়ি ওইনা লৈনবা ইনবা নত্তে।

১২.২ এগ্রিমেন্ট অসি পার্টি অনীমক্লা অইবা ওইনা সহী তৌনদ্রিফাওবা করিগুম্বা মরম অমহেক্তদা শেমদোকপা, হাপচিনবা নত্ত্রগা হোংদোকপা য়াদে।

১২.৩ এনেক্সচরশিং য়াওনা এগ্রিমেন্ট অসিনা পার্টিশিং অসিগী মরক্তা এগ্রিমেন্ট অসি চৎনবা হৌগনি অমসুং মমাংথক্তা, চীলহায় নত্ত্রগা অইবা ওইনা, হীরমশিং অসিগী মতাংদা পার্টিশিংগী মরক্তা য়ানখিবা এগ্রিমেন্টশিং, এরেঞ্জমেন্টশিং অমদি অন্দরষ্টেন্দিংশিং অদুগী মথক থংগনি।

১২.৪ পার্টি অসিগী মনুংদা অমহেক্তনা অতোপ্পা পার্টি অদুগী মাঙজৌননা অইবা ওইনা পীরকপা অয়াবা অদু য়াওদনা মহাক্কুগী তৌগদবা থবকশিং নত্ত্রগা হকশিং পূন্নমক অদু পায়খৎপা নত্ত্রগা মাঙহনবা তৌবা য়াদে।

১২.৫ এগ্রিমেন্ট অসি কাউন্টরপার্ট অনী থোক্লা পায়খৎকনি, অমমম অদু ওরিজিনেল ওইগনি, অদুবু লোয়নমক পোৎশক অমখক্কী ওইগদবনি।

১২.৬ এগ্রিমেন্ট অসিনা পীরিবা হেদিংশিং অসি নুংঙাইনবা খক্তগীদমক্তা থন্বনি অমসুং মসি এগ্রিমেন্ট অসি পায়খৎপা নত্ত্রগা মসিগী ৱাহন্থোকনি হায়না লৌবা য়াদে।

১২.৭ এগ্রিমেন্ট অসিদা য়াওরিবা টর্মশিং অসিনা পার্টিশিং অসিগী মথক্তা নত্ত্রগা নুংঙাইতনবা অমসুং মখোয়গী সক্সেসসরশিং অমসি এসাইনশিংদা পূন্নবা নত্তে। পার্টি অমা হেক্তনা অতোপ্পা পার্টি অদুগী অইবা অয়াবা য়াওদনা এগ্রিমেন্ট অসি এসাইন তৌবা য়াই, তৌবতবু, পার্টি অদুনা (মসিদা পীরিবা তৌগদবা থৌদাং অদুদগী নান্থোক্তনা) বিজিনেস নত্ত্রগা এসেটশিং লোয়নমক মপূং ওইনা ওইহৌগদবা থার্দ পার্টি অদুদা পীথোকপা য়াই।

১২.৮ এগ্রিমেন্ট অসিগী প্রোভিজন অমা হেক্তদা চৎনরক্ত্রবা, আইন্না য়াদ্রবা নত্ত্রগা চলাইবা য়াদ্রবদি, পার্টিশিং অদুদা চলাইবা য়ানবা মদু য়ারিবমখৈ প্রেক্তিকেবল ওইনা ভেলিদ ওইনবা, আইন্না য়াবা ওইনবা অমদি চলাইবা য়ানবা শেমদোক্কদবনি অমসুং মসিনা মরম ওইরগা লেমহৌরিবা প্রোভিজনশিংগী ভেলিদিটি, লিগেলিটি অমদি এনফোর্সিএবিলিটি অদু করিগুম্বা হীরম অমত্তদা শোকহনবা য়াদে।

১২.৯ এগ্রিমেন্ট অসিগী প্রোভিজন অমা হেক্তদা শেমদোকপা অসি পার্টি অনীমক্লা অইবা ওইনা অমদি সহী তৌনদ্রিফাওবা ভেলিদ ওইরোই। এগ্রিমেন্ট অসিগী প্রোভিজন অমা হেক্তা চৎনহন্দবা হায়বসিসু চৎনহন্দবা পাল্লিবা পার্টি অদুনা অইবা ওইনা অমদি সহী হৌদ্রিফাওবা ভেলিদ ওইরোই। পার্টি অমা হেক্তনা এগ্রিমেন্ট অসি থুগাইরকপদগী থোল্লকপা চৎনহন্দবা অদু অতোপ্পা থুগাইরকপা অমত্তদা পানশিনবা য়ারোই নত্ত্রগা অসিগুম্বা অতোপ্পা অমা থোল্লকপনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা হক অমত্তদা পানশিনবা য়ারোই।

১২.১০ পার্টিশিং অসিদা সর্ভ তৌগদবা তঙাইফদবা নোটিস অদু অইবা ওইনা পীগদবনি অমসুং মদু রেজিষ্টর্দ পোষ্টগী একনোলেজমেন্ট দ্যু ওইনা থাগদবনি নত্ত্রগা মখাগী থিকানা

অসিনা হকথেংননা থিনগদবনি (অতোপ্পা পার্টি অদুনা করিগুম্বা অইবা ওইনা খঙহনবা নত্তবদি)

কম্পনি ঃ

.......................

......................

.......................

লৌমীঃ

লৌমগী মমীং ................

সাং ...........................

................................

১২.১১ এগ্রিমেন্ট অসিদা য়াওরিবা নত্ত্রগা পল্লিবা অসিগী মথক্তা, এগ্রিমেন্ট অসিদা য়াওরিবা প্রোভিজনশিং অসি দি ফার্মর্স (এমপৱারমেন্ট এণ্ড প্রোটেক্সন) এগ্রিমেন্ট ওন প্রাইজ এসুরেসন্স এণ্ড ফার্ম সার্ভিসেস ওদিনান্স, ২০২০ (ওর্দিনান্স ১১ ওফ ২০২০) গী ওন্ন–তৈনবা ঙাক্তা ওইরবদি, এগ্রিমেন্ট অসি ইনভেলিদ ওইগনি অমসুং এগ্রিমেন্ট অসি মুত্থৎপদা চঙবা শেল পূন্নমক কম্পনি অদুনা পুথোক্কদবনি।

শাক্ষিশিং অসিনা মশক তাক্লদুনা, পার্টিশিং অসিনা মখোয়গী খূৎয়েক অদু, ঙসিগী নুমিৎ অমদি চহী ইরিবা অসিদা, এগ্রিমেন্ট অসিদা পীরি অমদি মখোয় মতেং অদু অমনা মশাগী ওইনা থমজদুনা অমসুং অমনা মখোয়গা চৎমিন্নরিবা অমদুগী ওইনা পীরে হায়না য়ানরে।

........... সহী অমদি অয়াবা পীরবা

‘‘লৌমী’’ হায়না খঙনরিবা )

শাক্ষিশিং )

‘কম্পনি’ হায়না খঙনরি)া অদুনা )

সহী অমদি য়ারবা

.................

ওথোরাইজ সিগ্নেটোরি

.........কী মমাংদা)

## এনেক্সচরশিং লিষ্ট

এনেক্সচর এঃ বঞ্চ সেলেক্সন এণ্ড গ্রেদিং গাইদলাইন্স এট হার্ভেষ্ট

এনেক্সচর বিঃ ৰেটমেন্ট এণ্ড পেয়েবল গাইদলাইন্স

এনেক্সচর সিঃ ৱার্কিং মোদেল ফোর বনানা ফিল্ড ইভালুএসন

এনেক্সচর দিঃ বনানা ফ্রুট ক্বালিটি পেরামিটর্স

এনেক্সচর এঃ বঞ্চ সেলেক্সন এণ্ড গ্রেদিং গাইদলাইন্স এট হার্ভেষ্ট

১. একসেপটেবল বঞ্চ
   – অনীমক্লা য়ানবা পেরামিটর পীগনি
২. পার্সিএল্লি একসেপটেদ বঞ্চশিং
   – অনীমক্লা য়ানবা পেরামিটর পীগনি
৩. রিজেক্তেদ বঞ্চশিংঃ
   – অনীমক্লা য়ানবা পেরামিটর পীগনি

এনেক্সচর বিঃ ৰেটমেন্ট এণ্ড পেয়েবল গাইদলাইন্স

এ. ৰেটমেন্ট

১. একসেপটেবল বঞ্চ অদু লোক্কনি অমদি বোত্তম দি–হেন্দল্লিং তৌগনি। বেক্সশিং / ক্রেটশিং অদুদা অখন্না হেণ্ডশিংখক্তমক হাপকনি অমসুং অরুন্বা ওনগনি।
২. লৌমীশিংগা লৈমিন্নরিবা হার্ভেষ্টিং সুপরভাইজর নত্ত্রগা মহাক্কী রিপ্রজেন্টেটিভ অদুনা মদুগী নেট ৰেট (অপূনবা অরূন্বা) অদু রেকোর্দ তৌগনি।
৩. বোক্স / ক্রেটশিং থন্না হাপ্লবা ভেহিকলশিং অদুগী অরূন্বা অদু লৌমীদুনা মশাগী শেল পুথোক্তুনা ওনবা য়াই অমসুং লফোইদুগী নেট ৰেট অদু পেকিং মেটিরিয়েলন, বোক্স / ক্রেটনচিংবশিং অদুগী অরূন্বা অদু খাইদোক্লগা ওনগনি।

বি. পেমেন্টকী মওংঃ

| ইনভোইস আইটেম | অপূনবা হোৎলবা শেনফম |
|---|---|
| (গুদ ক্বালিটি ওইনা) ফংলবা লফোই | বেজ ৰেট (বি১) ঃ নেট ৰেট কেঃজিঃ (এ+বি+সি) * অনীমক্লা য়ানরবা মার্কেট রেট (লুপা / কেজি)<br>মার্কেট রেট অদু অপূনবা লোক্লবা লফোই (এ+বি+সি) (অদুগী য়ানখিবা হার্ভেষ্টিং কোষ্ট হায়বদি কিলোদা লুপা....... অদু খাইদোক্লগা লেপকনি। |

এনেক্সচর সিঃ ৱার্কিং মোদেল ফোর বনানা ফিল্ড ইভালুএসন

এ. থাগী ইভালুএসন অমসুং রিপোর্টশিং

- অনীমক্না য়ানবা ইভালুএসন সিষ্টেম অদু পীগনি

বি. রেটিং সিষ্টেম

- অনীমক্না য়ানবা ইভালুএসন সিষ্টেম অদু পীগনি

এনেক্সচর এঃ বঞ্চ সেলেক্সন এণ্ড গ্রেদিং গাইদলাইন্স এট হার্ভেষ্ট

১. দিফেক্ট টোলরেন্স ফোর ক্লাস এ

- অনীমক্না দিফেক্টকী অকুপ্পা মরোল অমদি মখোয়গী টোলরেন্স লিমিট অদু পীগনি

২. দিফেক্ট টোলরেন্স ফোর ক্লাস বি

- অনীমক্না দিফেক্টকী অকুপ্পা মরোল অমদি মখোয়গী টোলরেন্স লিমিট অদু পীগনি

৩. জিরো টোলরেন্স দিফেক্ট

- অনীমক্না দিফেক্টকী অকুপ্পা মরোল অমদি মখোয়গী টোলরেন্স লিমিট অদু পীগনি

৪. ফ্রুট এজ (উহৈ পাল্লকপগী মতম), দাইএমিটর, অশাংবা, ফ্রুট ইন হেণ্ড অমসুং মহৈ লোকপা মতমদা লৈবা ফঙ্কসনেল ওইবা মনাগী মশীং

| | |
|---|---|
| ফ্রুট এজ ৱিক (উহৈ পাল্লকপগী মতম – চয়োলদা) | নোংজু–নুংশাগী মতুং ইন্না অমসুং ক্যাঃএঃ দিপার্টমেন্টনা কত্তিং ইন্সট্রক্সনগী মতুং ইন্না (চয়োল ৮দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা খেন্নবা লৈগনি) |
| মহৈ লোকপা মতমদা লৈবা মনাশিং | য়ামদ্রবদা ফঙ্কসনেল ওইবা মনা ৫ |
| কেলিব্রেসন | ৪৪–৪৬ কেলিপর (সেকেণ্ড হেণ্ড মিদল ফিঙ্গর) |
| ফিঙ্গরগী অশাংবা (ইঞ্চি) | পল্লকী অশাংবা অসি খ্বাইদগী য়ামদ্রবদা ইঞ্চি ৭ ওইগদবনি |
| ফিঙ্গর / হেণ্ড মশীং | খ্বাইদগী য়ামদ্রবদা ১২ |